**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-07.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী ট্রান্সপোর্ট বিভাগনা হায়রি- রাজ্য অসিগী নেসনেল অমদি ষ্টেট হাইৱেশিংগী নাক য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং অমদি পাব্লিক পার্কিং ওইরিবশিং অথিংবা থমলে।

২) ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি- মহৌশাগী খল ঙাকপা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী তঙাইফদবা থৌদাংনি।

৩) ডা: শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী ১২৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

৪) রাজ্য অসিদা মীতৈ শরেং মায় পাকা মচা কোকহনবা ঙল্লকপদা রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা ঙামীশিংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

অমসুং

৫) উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- লৈবাক অসিগী তুংগী ফিরেপ খাঙবা কনবা অমসুং কৎথোকপা ঙম্বা নহাশিংগী লীচিং মখাদা লৈ।

------

ট্রান্সপোর্ট (এল)ঃ রাজ্য অসিগী নেসনেল অমদি ষ্টেট হাইৱেশিংগী নাক য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং অমদি পাব্লিক পার্কিং ওইরিবশিং অথিংবা

থমলে হায়না রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগকী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- লম্বীগী নাক য়েৎতা আইন কায়না শাজিল্লিবশিং অমসুং গাড়ি খামজিনবনা চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অপনবা পীবতা নত্তনা এক্সিদেন্ট কয়া থোকবগী মরম ওইরে।

নিউ সেক্রেটরিয়েট বিল্ডিংগী মমাংদা নেসনেল হাইৱেগী নাকলদা পাব্লিক পার্কিং পীবীনবা দরখাস্ত অমা থারকপগা মরী লৈননা মমাং থাগী ১২ দা রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট মন্ত্রিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা রাজ্যগী ত্রাফিক রেগুলেসন এন্দ পার্কিং কমিতিগী মীফমদা অথিংবা অসি থমবা ৱারেপ লৌখিবনি। কন্ত্রোল ওফ নেসনেল হাইৱেজ (লেন্দ এন্দ ত্রাফিক) এক্ট ২০০২ গী মতুংইন্না হাইৱে এদমিনিষ্ট্রেতরশিং- এন.ঐচ.এ.আইগী প্রোজেক্ট দাইরেক্তরশিং, এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী জেনেরেল মেনেজর, নেসনেল হাইৱেগী চার্জ পুরিবা রাজ্যগী পাব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টকী একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ারশিং অমসুং নেসনেল হাইৱে ওফিসারশিংনা হাইৱেশিংগী নাক য়েৎতা লম খোপচিনবশিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা লৌথোকপগী অয়াবা পীরি।

মীফম অদুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মনুং চন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্ট জিলাশিংদা লৈরিবা লন্নাই হোস্পিতাল, দুকান অমসুং সোপ্পিং কমপ্লেক্সনচিংবশিংদা অনাবা, মফমদুদা লাকপা মীওইশিংনা তোংলকপা গাড়িশিংগী পার্কিং হায়রিবা মফমশিং অসিগী কমপ্লেক্স মনুংদা থমবা অমসুং লম্বীগী নাকলদা গাড়ি খামদনবসু খঙহল্লি।

বন মহোৎসব (এল)ঃ  রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি- মহৌশাগী খল ঙাকপা হায়বসি মীওই প্ম মক্কী পাঙথোক্কদবা তৌদবা য়াদব্রবা মথৌ অমনি।

ৱাফম অসি রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগনা শিন্দুনা লমশাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা লমদেং মখা লৈকাইদা পাঙথোকপা ৭৫ শুবা বন মহোৎসব থৌরমগা মরী লৈননা মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। রাজ্যগী থাক্তা চহি অসিগী ওইনা পাঙথোকপা

বন মহোৎসব থৌরমগা মরী লৈননা মহাকা হায়- বন মহোৎসবকী থৌরম অসি মীপুম খুদিংমকা, মরুওইনা মহৈরোইশিংনা নিংথিনা খঙবা তঙাইফদে। থৌরম অসি উ থাবগী কুম্মৈ অমা ওইনা ইং ১৯৫০ দা মতম অদুগী কেন্দ্রগী এগ্রিকলচর মন্ত্রি কে.এম. মুন্সিনা হৌদোক্কুনা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্কুনা লাক্লি। চহি অসিগী হিরমনা ইমাগী মীংদা উ চারা থাশি হায়বা কেম্পেন অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মমাং থাগী ৫ দা হৌদোকখিবনি। মালেমদা অঙ্গং অশাগী খল কায়রকপনা মীয়ামনা উ থাবগী তঙাইফদবা অদু লৈ। লৈবাক অসিগী ওইনা চহি অসিদা ড চারা কোতি ১৪০ থানবা পান্দম থল্লি। মসিগী মনুং চন্না চৎলিবা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা উ চারা কোতি ৪০ থানবা পান্দম থল্লি। মণিপুরগী ওইনসু সেপ্তেম্বর থা ফাওবগী মনুং উ চারা লাখ ৪৬ হেন্না থানবা পান্দম থল্লি।

ঙসিগী থৌরমদুদা লমশাং কেন্দ্রগী এম.এল.এ শোরোকখায়বম রাজেন, ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টকী স্পেসিয়েল সেক্রেটরি এম.ঐচ. খান, বিভাগ অসিগী এদ্দিসনেল পি.সি.সি.এফ সোরৈফি ভাসুম, চীফ কঞ্জার্ভেতর এল. জোয়কুমার য়াওনা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লাইখুৎলেম্বী লাইবুংগী অকোইবদা উ চারা কয়া থাখি।

বিজেপি (এল)ঃ বি.জে.পি. অমসুং জন শঙ্ঘ হৌদোক্লম্বা হান্নগী লোক সভা এম.পি- ডা: শ্যামা প্রসাদ মুখর্জিগী ১২৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট এন. নিম্বসনা হায়- জম্মু কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদা নত্তনা হীরম অসিগী খোঙজংদা ডা: শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি লৈখিদবনি। মহাকা লৈবাক অসিগীদমক য়াইফনবা থবক কয়ামরুমসু পায়খৎলমখি হায়না শ্রী নিমবসনা শিংথাখি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ. খোংবানতাবম ইবোমচা অমদি বি.জে.পিগী কারিয়াকার্তাশিং শরুক য়াখি।

শরেং (এল)ঃ  হন্দক্তা রাজ্য অসিদা মীতৈ শরেং মায় পাকা মচা কোকহনবা ঙমখ্রবা তুংদা ঙসিসু বিষ্ণুপুর জিলাগী খোর্দাক ইচিনদা লৈবা মীওই অমা মীতৈ শরেং মচা কোকহনবা ঙমলে।

রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মমাং থাগী অরোইবা চয়োলদা ৱাংগোই মখা লৈকাইদগী মীওই অমা অমসুং থা অসিগী মরিদা থৌবাল জিলাগী তেন্থা ময়াই লৈকাইদগী মীওই অমনা মায় পাকা শরেং মচাশিং পুথোকখ্রবা তুংদা অহুমসুবা ওইনা থাখায় অসিগী মনুংদা মীওই অহুমনা শরেং মচা পুথোকখিবা অসি থাগৎনিঙাইনি। চেরোল অদুনা হায়- ইন্দিজিনস টেকিকেল নোলেজ অমসুং সাইন্তিফিক নোলেজগকী মতেংনা শরেং মচা মায় পাকা কোকহনবা ঙম্বনি।

শরেং প্রোজেক্ট মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা বিভাগ অসিগী দাইরেক্তর হৈস্নাম বালকৃষ্ণনা হায়- অথ্‌বা মতমদা বিভাগ অসিনা ষ্টেন্দরদাইজ ব্রিদিং প্রোতোকোল শেমদুনা ইন্তেলেকচুয়েল প্রোপরতি রাইট লৌনবা হোৎনরগনি। শরেং মচা পুথোকখ্রবা ঙামীশিং থা অসিগী ১০ দা রাজ্য থাক্কী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল ফিস ফার্মরস ডেগী থৌরমদা ইকায় খুমবা উৎকনি।

অমরোমদা, মনিপুরদা শরেং প্রোজেক্ট মায় পাকা পায়খৎপদা মুখ্য মন্ত্রি- নোংথোম্বম বিরেননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্যগী ফিসরিজ বিভাগকী মখাদা ঙামীশিংনা শরেং মায় পাকা মচা কোকহনবা ঙম্বা অসি চাউথোকচনিংঙাইনি। রাজ্য সরকারনা মুৎখিগদৌরবা মীতৈ শরেংবু শরেং প্রোজেক্টকী মখাদা অমুক হন্না প্রোজেক্ট অসি পায়খৎতুনা হিংগৎহন্ননবা থৌরাংশিং লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলক্লি। মসিগী মায় পাকপা ওইনা হন্দক্তা ঙা মখল অসিগী মচাশিং রাজ্য অসিদা পুথোকপা ঙম্বনি। শরেং মচাশিং মায় পাকা পুথোকবা হোৎনবদা বিভাগ অসিনা অমসুং ঙামীশিংনা লৌখিবা থৌদাংবু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

দেদ (এল)ঃ   অকাশবানি ইম্ফালগী এপ্রুভ শৈশকপা অমসুং ইশৈ ময়েক ইবা

ফুরাইলাৎপম ইবোয়াইমা শর্ম্মা ঙরাং মহাক্কী কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপালদা লৈবা ময়ুমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮১ শুখ্রে। মহাক মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি।

লৈখিদ্রবা ইবোয়াইমা মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা পীবা সঙ্গিৎ ভুসন মনা ২০১১, অপুনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাংলুপকী লাইফটাইভ এচিভমেন্ট এৱার্দ ২০১৩, কলচরেল ফোরম মণিপুরগী থোকচোম সনাজাউবী মেমোরিয়েল এৱার্দ ২০২২, শৈরেংবশিংগী অপুনবা লুপনা পীবা লাইফটাইভ এচিভমেন্ট এৱার্দ ২০২০ নচিংবা তোঙান তোঙানবা মনা ফংখ্রে। মহাকা শকখিবা অমদি অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোকখিবা ঈশৈশিং মনুংদা- নুংশিজরুবা ঐনা থম্মোয় লাইমন ওইহোরে, থাবল ফরবা অহিংদা, য়েংজরগা পেনজৈ থম্মোয়না পনবা য়াই।

মণিপুরগী শকাইরবা শৈশকপা, আর্টিষ্ট, লিরিসিস অমসুং ইজ্কেসনিষ্ট ফুরাইলাৎপম ইবোয়ামনা লৈখিদবদা অপুনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাংলুপ অমিকনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

সিসিপুর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙরাংদগী চথরকপা নৌনা চৎনখ্রবা ক্রিমিনেল লো অহুমগী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ত্রেনিং অমদি ওরিয়েন্তেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিলা অসিগী ই.বি.সি গোস্পেল সেন্তিনারি হোলদা লোশিনখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জ্দিসিয়ারিগী থৌ পুবশিংনা ক্রিমিনেল লো অহুম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী লৈরিবা পুলিস ওফিসারশিং, এদভোকেট অমদি লো তম্লিবা মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাদা তংদু লৈতদবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা অমুকোগী মীহুৎশিং য়াওনা

জিলা অসিদা লৈরিবা সি.এস.ওশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংনা তেংবাংগী পোৎলমশিং পীখ্রে। খোঙচৎ অদ্দা শরুক য়ারদুনা অমুকোগী জেনেরেল সেক্রেটরি প্রতাপ লৈশাংথেমনা হায়- জিরিবামগী হৌজিক ওইরিবা হোস্পিতালগী ফিভম চাদ্রে। সরকারনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চংবীয়ু। মহাকা হায়- লমদম অসিগী মীয়ামা লিংজেল মান্ননা অমত্তা ওইনা থবক থৌরমশিং চংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

খোঙচৎ অদুদা পোইরৈ লৈমারোল মৈরা পায়বী, অমাৱোভা অমদি অতৈ লুপ কয়া শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ এক্সিলেন্ট জোব ওপর্চুনিতিজ ইন হোটেল মেনেজমেন্ট কম হোস্পিতালিতি সেক্তর এন্দ হেলথ কেয়ার সেক্তর ইন জপান হায়বা হিরমদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল স্কিল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন (এন.এস.দি.সি)না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কোর্পোরেসন অসিগী ইন্তরনেসনেল ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ককচিং জিলা খক্তা নত্তনা তেংনৌপল অমসুং চান্দেল জিলাগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংনা হোস্পিতালিতি অমদি নর্সিং তমিংবা, লোয়ননা তস্বা লোইরবশিংনা জপানদা চত্তুনা করমা থবক ফংগনি হায়বগী মতাংদা এন.এস.দি.সিগী ওফিসিয়েলশিংনা মীয়ামদা খঙহনখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী দাইরেক্তর এন. বনদনা, এন.এস.দি.সিগী মেনেজর সনিকুমার অমসুং এন.এস.সি.দিগী ষ্টেট এঙ্গেজমেন্ট ওফিসার জিমিক শরুক য়াখি।

থৌবাল (এল)ঃ লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক নুমিৎ মরিনিগী ওইবা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোক্লগনি। থা অসিগী ৯ দগী ১২ ফাওবা থৌবাল জিলাগী রাইস রিছার্স ষ্টেসনদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা কৌনানা শাবা খুৎ-শা হৈবগী

পোৎলমশিং পুথোকবা ত্রেনিং পীগনি।

জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ত্রেনিং অসিনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা টেকিকেলগী ওইবা মহৈশিং, অনৌবা খুৎ-শা হৈবগী পোৎলমশিং শাবা তন্বীবা, অনৌবা ৱাখল্লোনশিংনচিংবা খঙহনবগী খুদোংচাবা অদু পীরি। চেরোল অসিনা হায়- লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনা তোঙান তোঙানবা স্কিল দিভলপমেন্ট অমদি শেন্থোক লন্বী লৈহন্নবা থবক থৌরম কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি। হায়রিবা থবকশিং অসি ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র মণিপুর ষ্টেট লাইভলিহুদ মিসন, হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট কোর্পোরেসন অমদি লৈরিবা এন.জি.ওশিংগা খুৎশমদুনা পায়খৎপনি। পনবা য়াবদি- মমাং চহিগী নবেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা সেলস ইভেন্ট অমদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংনা পুথোকপা কৌনাগী পোত্থোকশিং অমদি ধুপশিং লুপা লাখ ১ লিশিং ৪০ রোম য়োনবা ঙমখ্রে। লোয়নননা মমাং চহিগী জ্ন ২৮ দা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র অনিনা খুৎশমদুনা লাঞ্জেন্নদুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স রিলিফ সেন্তরদা লৈরিবা মীওইশিংনা শাবা কেন্দলশিং অনৌবা য়েন্নিং হায়না থোনদুনা পুথোকখ্রবা মতুং মীয়ামদা ফংহনবা হৌখ্রে হায়রি।

খৃষ্টান (এল)ঃ হন্দক্তা নৌনা কাখিবা লোক সভা এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা সংসদতা মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মীয়ামগীদমক পুখৎখিবা ৱাফমশিংবু ওল মণিপুর খৃষ্টান ওর্গনাইজেসন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি। লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট এল. সাইমন রাওমাইনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিদা শান্তি পুরকবা অমদি অওনবা অমা লাকবগীদমক অঙোমচা বিমোল অকোইজমদা থাজবা থল্লি। লোয়নননা সরকার অমদি অতৈ ষ্টেকহোল্ডরশিংনা রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবগীদমক হোৎনরিবা অসিদসু লুপ অসিনা থাগৎপা ফোংদোক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- মে অহুমদগী হৌদুনা ওইরক্লিবা

কাংলুপকী ইরাং অসিনা লৈরিবা তংদু লৈতদবা ফিভম অসিগী মনুংদা মহৌশানা থোকহনবা খুদোংচাদবশিং ঈশিং ঈচাউ অমদি লেন্দ স্লাইদ অসিনা মরম ওইরগা অৱা অনা তারবা মীওইশিংগী অৱাবদু লুপ অসিনা শরুক য়ারি।

ধনখর ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনখরনা হায়রি- লৈবাক অসিগী তুংগী ফিরেপ খাঙবা কনবা অমসুং কৎথোকপা ঙম্বা নহাশিংগী লীচিং মখাদা লৈ। লৈবাক অসিনা নহাশিংনা চাওখৎপা ভারত অমা ওইহনগনি হায়বগী আশা থল্লি। কেরলাগী তিরভনন্থপুরমদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ স্পেচ সাইন্স এন্ট টেকোলোজিগী ১২ শুবা গ্রেজ্‌য়েসন সেরেমোনিদা ৱা ঙাংলদুনা হায়- লৈবাক অসিগী নহাশিং হৈথোই শিংথোইবতা নত্তনা চাওখৎপগী লম্বীদা লমজিংবগী ঙম্বগী থৌনাসু লৈ।

তামিলনাদু ঃ তামিলনাদুগী মুখ্য মন্ত্রি এম.কে. ষ্টেলিন্না রাজ্যগী বি.এস.পি প্রসিদেন্ট কে. আমষ্ট্রোং হাৎপগা মরী লৈননা মরাল লৈবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা দন্দি পীনবা পুলিস ওফিসারশিংদা খঙহনখ্রে। মহাকা হায়- থৌদোক থোকখ্রবা মতুং পুং খরগী মনুংদা মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা মীওই ৮ পুলিসনা ফাখি।

করাতি (এল) ঃ ওল ইন্দিয়া ইন্টর সাহ করাতি টুর্নামেন্ট-২০২৪ ঙসিদগী ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক সাই এস.টি.সি. ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌখ্রে। থা অসিগী ৯ ফাওবা চথগনি। স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া-নোর্থ ইষ্ট সেন্টরনা শিনবা টুর্নামেন্ট অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা সাই সেন্টরশিং- সাই এস.টি.সি ইম্ফাল, নহারলগুন অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়, জবলপুর, মধ্য প্রদেশকী পুন্না ওফিসিয়েল অমসুং শান্নরোই ৭৯ শরুক য়ারি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দ্রোনাচারিয়া এৱার্দি টি.ঐচ. ইবোমচা অমদি সাই এস.টি.সি ইম্ফালগী হান্নগী দাইরেক্তর শরুক য়াখি।